চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

NONGMA PANBA SONY SPL.
SONY 55″ W800C
₹ ~~1,54,900/-~~
₹ 1,24,900/-
PICTURE QUALITY
X-REALITY PRO | 3D
PROCESSOR X1™ | 800 XR MOTIONFLOW
SONY'S ANDROID TV™
VOICE SEARCH | GOOGLE CAST
GOOGLE PLAY | GAMES GOOGLE PLAY
SOUND QUALITY
BASS REFLEX SPEAKER | CLEAR AUDIO+
SONY HOUSE. PAONA BZ. IMP.
SARAJEEVAN ENTERPRISES. PAONA BZ. IMP.

# সনালৈবাক

www.sanaleibak.in



শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবা নুমিত্তা লম্লাইগী চাকয়েন তম্বা অমসুং হরাউ-তয়াম্না চৈরাউ চীং কারিবশিং (ওই ১সু য়েৎ)



নোৰ্থ ইষ্ট অসিয়ান ব্যুজিনেস সম্মিট-২০১৬ লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা লমদমসিগী এন্টরপ্রেন্নরশিংগী মরক্তা মেনেজিং দাইরেক্তরশিং



ঙসিগী অঙৈং-অশা: শাবগী চাং ঃ ৩৯° সি | ঈংবগী চাং ঃ ১৯° সি
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ২৯ | নোংজুগী চাং : ২ এম এম
IMPHAL, SATURDAY, 9 APRIL 2016
থাংজ , শজিবুগী নিনিপান্বা
e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 132 Page : 8 | Price: 3.00

TATA SKY FREE
LED 40HH = ₹ 28500/-
LED 32″(3 YRS) = ₹ 18000
3 YRS WARRANTY
20″HD READY TV = ₹ 8600
22″FULL HD TV = ₹ 11000
24″FULL HD TV = ₹ 12000
32″+ SAMSUNG DVD = ₹ 19500
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ₹ ~~8290~~ = ₹ 7600
7.2KG H13 ₹ ~~9990~~ = ₹ 8500
7.3KG ₹ ~~11690~~ = ₹ 9500
7.5KG ₹ ~~11990~~ = ₹ 10200
150LT REFRIG: = ₹ 8700
170LT REFRIG: = ₹ 9800
190LT REFRIG: = ₹ 10500
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

খুদোংচাগদৌবা ফীভম নৎত্রগা খ্বাইদগী খুদোংচাবা ঙাইরুনু, মখোয়দু শুক্লাক লাক্লোই।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫

## লোইরেদনা

ইচানা থাদোরকপা চৈরাওবগী চাকলুক্তা হাপ্লকপা মোরে য়োংচাক ইরোম্বদু হাওমন্দনা খরা চাখ্রমাল্লেনে লেংখৎপনা হকচাংসে লেংবা য়াদ্রেহে কমদৌনিসিদি ইতাও



করিনোদা ইতাও লাইরেপাক্তদি ফার্মাসি লৈরোইদা, লৈচিল মরকসিদা হকচাংদো অমুক্তা শেঙদোকপীরুচো অদুগা খরা য়াংব্রা য়েংবীয়ু।

# নোৰ্থ ইষ্ট অসিয়ান ব্যুজিনেস সম্মিট-২০১৬ লোইশিনখ্রে

## এম এস এম ইগীদমক থারকপা প্রপোজেল খুদিংমক পীগনিঃ কলরাজ মিশ্রা

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৮ ঃ মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা নুমিৎ নিনি চুপ্পা চত্থরকপা নোৰ্থ ইষ্ট-অসিয়ান ব্যুজিনেস সম্মিট, ২০১৬ ঙসি ইম্ফালদা লোইশিনখ্রে। অসিয়ান লৈবাকশিং অমদি বঙ্গলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙনবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা দেলিগেট কয়ানা শরুক য়াদুনা চত্থরকপা সম্মিট অদু লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুরগী গভর্নর ভি সানমুগানাঠননা অথোইবা মীথুং, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর এম এস এম ই কলরাজ মিশ্রানা থৌরম মপুং, চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা চীফ গেষ্ট অমসুং মণিপুর গভর্নমেন্টকী কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর গোবিন্দ দাস কোন্থৌজমনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইখি।



ঙসিগী লোইশিনবগী থৌরম অদুদা থৌরম মপুগী ৱারোলদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর এম এস এম ই কলরাজ মিশ্রানা হায়, অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংনা অপিকপা ইন্দষ্ট্রিজ, বিজিনেস সেন্টর নত্রগা ইন্দষ্ট্রিজ তৌবদা চংবা মচাকশিং লৈনবগীদমক এম এস এম ই মিনিষ্ট্রিদা লুপা ক্রোর ১০ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা শেন্থং পীবিনবা প্রপোজেল তৌরকপদা মিনিষ্ট্রিনা পীনবা শেম শাদুনা লৈ।

প্রাইম মিনিষ্টরন নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিং অসি থবক থিবা মীওই ওইবগী মহুত্তা অপিকপা ইন্দষ্ট্রিজশিং লিংদুনা থবক পীবা ঙম্বা মীওই ওইহন্নবা মঙ মঙলি। মসিগীদমক নহাশিং স্কিল অপগ্রেদ তৌবা দরকার লৈবনা মদু পীনবা তোখায়বা মিনিষ্ট্রি অমা হাংদোক্তুনা থল্লি।

সেন্টরদা সাসন তৌরিবা গভর্নমেন্ট অসিনা অৱাং নোংপোক চাউখৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোকথংবা শরুক্তা এম এস এম ই সেক্টর চাউখৎহন্নবগীদমক মিনিষ্ট্রি অসিনা ক্রেদিট গরেন্টি স্কিম, ক্রেদিট লিঙ্ক সবসিদি স্কিম, ক্লষ্টর দিবলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমসুং নেসনেল মেন্যুফেকচরিং কম্পিটিটিবনেস প্রোগ্রামনচিংবা পায়খৎলি। ক্রেদিট গরেন্টি স্কিমগী মখাদা লৈবাক অসিগী ওইনা অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর ১৬১১৩.৬৭গী মনুংদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগীদমক ইং ২০১৫-১৬তা লুপা ক্রোর ৫০১ খাক্তুনা থম্বদা অয়াবা পিখি।

মেক ইন ইন্দিয়াগী মখাদা এম এস এম ই সেক্টরদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং য়াওনা লৈবাক অসিদা হেন্না গ্রোঠ লৈহন্নবগীদমক মিনিষ্ট্রিনা...মখা লমায় ৫ দা

# মপান লমদা খুন্দারিবা মৈতে ফুরুপশিং য়াওনা শজিবু চৈরাওবা পাঙথোক্লখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৮ ঃ মণিপুরগী মপান লমদা খুন্দারিবা মৈতে ফুরুপশিং য়াওনা ঙসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শজিবু চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

থাজনবা মৈতে ফুরুপ থাচৎকি মতুং ইন্না চহী অহানবা নুমিৎ শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎ অসিবু শজিবু চৈরাওবা হায়না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা পাঙথোক্লদুনা লাকপগী শমথরকপা ওইনা থৌরমসি ঙসিসু পাঙথোক্লখি। মণিপুরগী অচৌবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা থৌরমসি নিংথিনা পাঙথোক্লবা ঙম্নবা খ্বাইরাম্বন্দ কৈথেলনচিংবা মরুওইবা কৈথেলশিংদা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা লাইশোন তিনশোনগা মরি লৈনবা পোৎলমশিং য়াওনা চান-থক্লবা মনা মশিং লৈননবা লাক্লখি।

মহৌশানা খ্বাইরাম্বন্দ কৈথেল অসি নুমিৎ তাশল্লকপা মতমদগী পংথেং থেংথদনা কৈথেল ফম্বীশিংনা পোৎ-চৈ য়োন্নদ্রবসু শজিবু চৈরাওবা নুমিৎ অসিগী খল্লগা ঙরাং নুমিদাং অথেংবা ফাওবা পোৎফম ফম্নখি। মাইকৈ কয়াদগী লাকপা য়াম্লব মীয়াম্না ঙরাং নুমিদাং অথেংবা ফাওবা খ্বাইরাম্বন্দ কৈথেল মী চিনখি। কৈথেলসিগী লম্বীগী মতাইদা পাখন খন্দুনা ঙা চাক্লচিংবা মখল মখা কয়াগী পোৎলমশিং য়োন্নখি। কৈথেল কানরকখিবা মীয়ামশিংগী য়েংলগা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিসকি মাইকৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মীকুপ নাহুমশিংনা য়েং শিনখি।

চহীগী অমুক্তং ওইনা পাঙথোকপা শজিবু চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লিবা ইমুংশিংনা অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মশাশেংদোক্লরবা মতুংদা লাইনিং লাইরেম্বীদা ঙমজবা হৈরাং লৈরাং অমদি মৈরা থাওমৈ কৎতুনা য়াইফা থৌনি নিদুনা খুরম্নখি। ঙা চাক নত্রগা ইনশাং নাপী কয়ানা মথেল লুকোই কয়া শেমদুনা থোং থাংলবা মতুংদা ...মখা লমায় ৫ দা

# অথুবা মতমদা রিসফল তৌগদৌরি

## প্রেসর গ্রুপকী দিমান্দদি লাপ্লা লৈহৌগদৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ৮ ঃ হৌজিক মণিপুরদা সাসন তৌরিবা কংগ্রেস গভর্নমেন্ট অসিগী মনুংদা লৈরিবা চরাংনবা অসি লোইশিন্নবগী মতাংদা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা এ আই সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরি ভি নরায়নশামীগা লোয়ননা এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাউকিপ অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না এ আই সি সিগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিগা উন্নখ্রে। মিনিষ্টর খরা অথুবদা রিসফল তৌগদৌরি, প্রেসর গ্রুপ এম এল এশিংনা মিনিষ্টর ১০ মক শিন্দোক্লবা দিমান্দ অদুদি খরা লাপ্লা লৈহৌগদৌরি।

প্রেসনা ফংবা পাউ অমনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা এ আই সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরি ভি নরায়নশামী, এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট টি এন হাউকিপ অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্না ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধিগা উন্নদুনা হৌজিক মণিপুরগী কংগ্রেস পার্টিগী মনুংদা লৈরিবা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা ৱাফমশিং পুথোক্তুনা খন্নখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ...মখা লমায় ৫ দা

## ঈশৈ জগোয়দা য়ুম্ফম ওইবা পোক্লফম ইমা থৌরম পাঙথোকখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৮ ঃ শজিবু নোংমা পানবা চহী হৌবা চৈরাওবগা মরী লৈননা মণিপুরী চনুরা লৈশেম মরুপ (মচালৈমা) না শীন্দুনা ঈশৈ জগোয়দা য়ুম্ফম ওইবা কাঙলূপ কয়া লেংথোক্লরগা পাঙথোকপা পোক্লফম ইমা ২০১৬ কী ২৬ শুবা থৌরম ঙসি হাপ্তা কাংজেবুংদা লৈবা বোটতা পাঙথোক্তুনা চহী হৌবগী য়াইফ পাউজেল খুদোল তমখ্রে।

থৌরম অদুদা মীয়াম্বু ওকচা ৱারোল পীরদুনা মচা লৈমগী মচিন চৎপা অমনা হায়, মীৱানা লৈৱা ওইদুনা লেপ্তনা য়ৈশিল্লকপা শিংচেপনা খুন্তাক লানশি, খুনচাই লৈচাইবা তেন্দমলক্লিবা খুন্নাইসিবু কলহৌনবা, ইপানাৎ-ইপুনাৎকী য়েলহৌ-মীরোল শক্তুনা ঙাক্লৌ পীবগী তঙাই ফদবদু লীপুল চেৎনা চনুরাশিংনা শিল লাংবা মথেলনি।

খুন্নাইগী শক্তম কন্নবা লাইনিং পরি চেৎপীদুনা খুন্নাইসিগী চেন্থরক্লিবা চহী ২০০০ হেনবগী ..মখা লমায় ৫ দা

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Khongman Zone-III (West), Imphal East District, Manipur
website : - www.unaccoschool.in e-mail - info.unaccoschool@gmail.com

Registration for Admission to Class XI-Science is going on for the Academic Session, 2016-17. Parents may contact either the School office or info.unaccoschool@gmail.com

Sl/Bill 8-14/9
Sd/-
Principal

ভারতীয় ডাক
India Post

# স্পীদ পোষ্ট


## মতম চানা.... মতম পূম্নমক্তা






অদোমদা থারকপশিং থীবীয়ু www.indiapost.govt.in দা

এস এম এস সার্ভিস
অদোমগী মিংদা থারকপা পোৎ নৎত্রগা চিঠিগী পাউ খুদক্তা ফঙহন্নবগীদমক



- ইন্দিয়াগী মনুংদা চপ মান্নবা শেনফমঃ লুপা ৩৫ অমদি লোকেল রেটতাঃ লুপা ১৫
- অথামল তিংদনা, শোৎপা য়াবদা নত্তনা চাউনা পোৎ-চৈ চেল্লিবশিংগীদমক অখন্নবা ডিসকাউন্টশিং পীরি।

মখাতাবা ঈ-পাউগীদমক,
খ্বাইদগী নকপা পোষ্ট ওফিস অমদা হংবীয়ু নৎত্রগা লোগ তৌবীয়ু
www.indiapost.govt.in

চিঠিশিং, ডোকুমেন্টশিং অমসুং কে জি ৩৫ ফাওবগী পার্সেলশিং চপ চাবা মতমদা অমসুং অথুবদা য়ুমথোঙশিংদা য়ৌহনবা ।

গ্রাম ৫০ ফাওবা, টেক্ষ এক্সত্রা

Follow us

EMS SPEEDPOST

davp06305/13/0001/1617

For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501